# পেগাসস স্নুপিংগী মতাংদা থারকপা প্লি সুপ্রিম কোর্টনা মথং চয়োলদা হিয়রিং তৌরগনি



ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): পেগাসস স্নুপিংগী ৱাথোক সিটিং নৎত্রগা থবক্তগী পোত্থারবা জজনা নীংতম্না থিজিন্নবগী দিরেক্সন পীবিনবা হায়জরদুনা ভেটেরান জর্নেলিষ্টশিং এন রাম অমসুং সাশি কুমারনা থারকখিবা প্লি হিয়রিং তৌরগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

সিনিয়র এদভোকেট কাপিল সিবলনা মেট্টর অদু চীফ জষ্টিস এন ভি রামানা অমসুং জষ্টিস সুর্য়া কান্তকী বেঞ্চতা পুখৎতুনা হায়খি, সিটিজনশিং, ওপোজিসন পোলিটিসিয়নশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং কোর্ট ষ্টাফনচিংবা লোন্না কুপয়েং য়েংশিল্লে।

পেগাসস অসি ইন্দিয়া য়াওনা মালেম পূম্বদা শরা শল্লবা ইস্যুনি হায়রদুনা ইস্যু অসি য়াম্না থুনা হিয়রিং চথবা মথৌ তাই হায়খি। সিবলগী সবমিসন অদুগী মতুংদা বেঞ্চ অসিনা মেট্টর অদু মথং চয়োলদা হিয়রিং তৌবা য়াই হায়খি।

জর্নেলিষ্টশিংনা থাবা প্লি অদুনা হায়, মিল্লিটরি-গ্রেদকী স্পাইৱেয়র শীজিন্নদুনা পাক্তক্লনা সর্ভিলেন্স তৌবা অসিনা ফন্দামেন্টেল রাইটশিংদা শোকহল্লি। মসি লৈবাক্কী দেমোক্রেটিক সেট-অপতা মরু ওইবা য়ুম্বীশিংনি হায়নরিবা ইনিদপেন্দেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিংগী থবক্তা নারোলদগী য়েংশিনবা অকায়বা পীনবা হোৎনবা থৌওং অমনি।

সেন্টরগী এজেন্সীশিংগী মরক্তা পেগাসস স্পাইৱেয়র শীজিন্নবগী লাইসেন্স য়াওরবদি নৎত্রগা মদু সর্ভিলেন্স চথনবা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা শীজিন্নখিবনি হায়বা লৈরবদি ফোঙদোক্লবা সেন্টরদা দিরেক্সন পীনবা পিটিস্নরশিংনা হায়জখি।

হেকিং তৌবা হায়বসি ক্রিমিনেল ওফেন্স অমনি হায়না ক্লেইম তৌরদুনা প্লি অদুনা হায়, ওফেন্স অসি আই টি এক্টকী সেক্সন ৬৬ (কম্প্যুটরগা মরী লৈনবা ওফেন্সশিং), ৬৬বি (অহূবা কম্প্যুটর রিসোর্স নৎত্রগা কম্ম্যুনিকেসন দিভাইস লান্না শীজিন্নবগী পনিসমেন্ট), ৬৬ ঈ (প্রাইভেসি ভাইওলেসনগা মরী লৈনবা পনিসমেন্ট) অমসুং ৬৬এফ (সাইবর টেররিজমগী পনিসমেন্ট)গী মখাদা জেলদা চঙবা নৎত্রগা ফাইন তৌবা নৎত্রগা চৈরাক অনীমক ফংবা য়াই। মসিগী মমাঙদা এদভোকেট এম এল শর্ম্মা অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি জোন ব্রিটাসনা ৱাথোক অদুগী মতাংদা থিজিনহন্নবা এপেক্স কোর্ট অসিদা ৱাকৎখিবনি।

# মী হাৎখিবদা পুলিসনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

বাদুন (য়ুপি), জুলাই ৩০ (এজেন্সী): ইমুংগী ইকায় খুম্নবা কন্নবনি হায়দুনা মশাগী চহী ২০ শুরবী নুপী অমা হাৎখিবদা পুলিস পসর্নেশিংনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

নুপী অদু মহাক্কী বোইফ্রেন্দগা চেল্লবা মতুংদা লুহোংলুবনি। মহাকপু পুলিস ষ্টেসনগী মবুংশিংনা থাঙনা মথবাক্তা থিনবগা লোয়ননা মথৌরিদসু থাঙনা লেনখিবনি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা নুপীদুগী মবুংশিং ফাখি। মহাক্না ইমুংগী মিংচৎ অমদি ইকাইখুম্নবা মাঙহল্লে হায়না পুলিসতা ফোঙদোকখি।

বাদুনগী এস এস পি সনকল্প শর্ম্মানা হায়, পুলিস ষ্টেসনদা লৈরিবা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর অমসুং অতৈ পুলিস পার্সনেলশিংনা মীহাৎ অদুদা করির থৌদাং লৌখিবগে হায়বসি খঙনবা থিজিল্লি। মরু ওইনা নুপা-নুপী অনী পুলিস ষ্টেসনদা লাকপগী পাউ নুপীদুগী ইমুংদা কনানা পীবগে হায়বসি থিজিনবা মথৌ তাই।

আর্চনা য়ুগল বাদুনগী পালিয়া গুজর ভিলেজদা লৈবা মচিন তোঙবা লৌমী ইমুংদা পোকখিবী বি এ তম্লিবা মহৈরোয় অমনি।

ভিলেজ অদুমক্তদা লৈবা আর্চনাগী মরী মতা অমা ওইরিবা দেভেন্দ্র কুমার মহাক্কী য়ুমদা তোয়না লাকখি। মখোয় অমগা অমগা নুংশিনরকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মরীদু চৎনবুগী ৱাংমদা ওইখি।

অর্চনা অমসুং দেভেন্দ্র জুন ২২দা চেনখি অমসুং বরেলিগী লাইশঙ অমদা লুহোংখি।

জুন ৩০দা মহাক্কী মবুং রবি কুমারনা দেভেন্দ্র অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওই অহুমবু মী ফাবগী মরাল শীরদুনা দতোগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি।

অর্চানা অমসুং দেভেন্দ্রনা এলাহবাদ হায় কোর্টতা প্রোটেক্সন পীবীনবা হায়জখি অমসুং মখোয়গী প্লি অদু কোর্টনা য়াখি।

এস এস পি সনক্লপ শর্ম্মানা হায়খি, ঐখোয়না হায় কোর্টকী ওর্দর লাকখিদ্রবসু মখোয়নীনা মদুগী মতাংদা লোকেল পুলিসতা খঙহনখি। মখোয়না পুলিস প্রোটেক্সন পামই হায়বদগী মখোয়বু পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা খঙহনখি। য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেনগী লোন্নবা অহিংদা অর্চানা অমসুং দেভেন্দ্র মখোয়গী ইমুংশিংগী মীৎয়েংদগী কঞ্জনবগীদমক পুলিস ষ্টেসনদা লাকখি। তৌইগুম্বসুং অর্চনাগী মবুং-মৌপ্পাশিং অমসুং মপানা মখোয়বু মচি অমদা লুমদুনা ঙাইখি। অর্চনাবু মহাংক্কী মবুংশিংনা মথবাক্তা থাঙনা থিনখি অমসুং মহাক্কী খৌরী চরমদসু থাঙনা লেনখি। দেভেন্দ্রবুনা পুলিসনা কনখি।

# সুইসাইদ তৌনবা হোৎনরুবদগী পেরালাইসিস তৌরে

মোরাদবাদ, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী মোরাদবাদতা নুপীমচা অমা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা মশা পেরালাইসিস তৌরে হায়রি।

নুপীমচা অদু মহাক্কী বোইফ্রেন্দ অমসুং মহাক্কী মমান্নবশিংনা ব্লেকমেলিং তৌবদগী মথ্বায় শোক্তুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপগী নুমিদাংদা থোং অমদগী চোংথখিবনি। নুপীমচা অদু লায়কন্নরিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমগী ওর্থোপেদিক য়ুসুপ ট্যাগিনা ফোঙদোরকপদা, থোংদগী চোংথবদুদা নুপীমচা অসিগী অপ্পর লম্বর ভর্টিব্রা কোলাপ্স ওইরে। মহাক ফুট ৪০ রোম ৱাংবা মফমদগী চোংথরকখিবদুনা মহাক্কী স্পাইনেল কোর্দকী মখা থংবা শরুক অদু শুপচিনখ্রে। মহাক্কী মখোঙশিংসু ইশি শিথখ্রে। মহাক হৌজিক হকচাংগী মফম কয়া শিথরবা নুপীমচা অমা ওইরে।

# এপোইন্টমেন্ট শীংনদুনা সুপ্রিম কোর্টতা কন্টেম্প প্লি ফাইল তৌখ্রে







ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): সেন্টরনা রাকেশ অস্থানাবু দেল্লী পুলিসকী কম্মিস্নার হাপখিবা ওর্দর শীংনদুনা সুপ্রিম কোর্টতা কন্টেম্প পিটিসন অমা থাখ্রে।

কন্টেম্প পিটিসন অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং মিনিষ্টর ওফ হোম এফেয়র্সনা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরি।

এদভোকেট এম এল শর্ম্মনা থাবা প্লি অদুনা হায়, অস্থানাবু দেল্লী পুলিসকী কম্মিস্নার হাপ্লিবসি মহাক্না থবক্তগী পোত্থাগদবা নুমিৎ খরনিদা ঙায়রবা মতমদনি। মহাক জুলাই ৩১দা থবক্তগী পোত্থাগদবনি।

অস্থানাদা ফম অসি হাপ্লিবসি কুমজা ২০১৮গী জুলাই ৩দা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা জজমেন্টকী মায়োক্তনি হায়না শর্ম্মানা কন্টেম্প পিটিসন অদুদা ক্লেম তৌখি। জজমেন্ট অদুগী শরুক খরা পল্লদুনা প্লি অদুনা হায়, ষ্টেট খুদিংমক্না ভেকেন্সিশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনদা প্রপোজেলশিং থাগদবনি। থাবগী মতমদি দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী ফম পায়রিবদুনা পোত্থাগদবা নুমিৎ য়ৌগদবা থা অহুম মাঙওইননি।

অমিত শাহনা লুচিংবা হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা মকোক ওইখিবা এপোইন্টমেন্ট্স কম্মিটি ওফ দ কেভিনেট (এ সী সী)না খঙনা অমসুং অতম্নমা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টকী মায়োক্তা থবক তৌরি হায়দুনা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়োক্তা কন্টেম্প ওফ কোর্ট প্রোসিসিং চথফথোকই হায়না প্লি অদুদা পনখি।

কন্টেম্প কেস অমদা একুজশিংগী অনীংবা অমসুং অপান্বা মরু ওইদে। তশেংনা মরু ওইরিবদি মখোয়গী থবক্তুনা অচুম-অরানগী ৱায়েলদা অকায়বা পীবা অসিনি। অদুনা এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসতা থাজবা থমদবা নৎত্রগা মসিদা খুৎথিংজিনবা হায়বসি থিংগদবনি হায়না প্লি অদুনা মখা তাখি।

# নমদূনা শেল লৌনবা হোৎনখিবা নুপী ইন্সপেক্টর ১ য়াওনা ৪ সস্পেন্দ তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): মতৈ মনাও অমদা কেস লৌখৎকনি অমসুং জেলদা থমগনি হায়না কিহল্লগা শেল লৌথোক্লম্বগী মরালদা নুপী ইন্সপেক্টর অমা অমসুং অতৈ পুলিস পার্সনেল অহুম কর্নাতাকা পুলিসনা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) প্রভিন সুদনা ওর্দর কয়া থোকপগা লোয়ননা সী ঈ এন পুলিস ষ্টেসনদা লৈবা ইন্সপেক্টর রেনুকা, ক্রাইম অদুদা মহাক্কী পার্টনরশিং ওইরকখিবা মহাক্কী কলিগশিং ওইরিবা সব-ইন্সপেক্টরশিং-নবীন, গনেশ অমসুং কন্সটেবল হেমন্থ অমানা কম্মিস্নর ওফ পুলিস কমল পন্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না পুলিসনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোরক্লে।

এন্টি করপসন ব্যুরো (এ সী বি)না ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট সবমিসন তৌরক্লবা মতুংদা এক্সন অসি লৌখৎখিবনি। এ সী বিনা কেস অসি মখা তানা থিজিনখিগনি। একুজ খুদিংমক কমপ্লেনেন্ট অমসুং মহাক্কী লোয়নবীদা লুপা লাখ ১০ পীদ্রবদি জেলদা থাজিনগনি হায়না কিহন্দুনা শেল দিমান্দ তৌখি হায়না মরাল শীখি।

ইন্টিরিয়র দিজাইনিংগী থবক তৌবা মতৈ মনাও ভি ভি সন্দিপ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী স্বেথা সিংহবু জুলাই ১৬তা পুলিস ষ্টেসনদা কৌখি। শেল পীরবসু থবক লোইশিনদবগী ৱাফমগা মরী লৈননা মখোয়বু পুলিস ষ্টেসনদা কৌখিবনি।

ইন্সপেক্টর রেনুকা অমসুং সব-ইন্সপেক্টরনা মতৈ মনাও অসিবু কিহন্দুনা লুপা লাখ ৫ লৌখি। মখোয় অনীবু ক্লাইন্ট অদুদা লুপা লাখ ৫সু পীহনখি। মসিগী মতুংদসু সব-ইন্সপেক্টর নবীননা লুপা লাখ ৫ অমগসু পীরক্লবা মখোয়দা হঞ্জিন হঞ্জিন কোল তৌখি। মতাং অসি য়ৌরকপদা মতৈ-মনাও অসিনা কমপ্লেন্ট অমা কোল রেকোর্দিংশিংগা লোয়ননা এ সী বিদা পীশিনখি। সোর্সশিংগী মতুংইন্না ইন্সপেক্টর রেনুকানা সী ঈ এন পুলিস ষ্টেসনগী চার্জ পুবা হৌরবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা শেল লৌবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

# প্রোটেষ্ট মনুংদা মী হাৎপগী বুক তৌখ্রে





অলিগর, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারীদা বাব্রি মন্দি এরিয়াদা এন্টি-সী এ এ প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখিবদা মোহম্মদ তারিক কৌবা মীওই অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা ভার্তিয়া জনতা য়ুভা মোর্চা (বি জে ৱাই এম)গী ওফিস বিয়রর ভিনয় ভার্শনিগী মায়োক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে।

সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা অলিগর কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা ঙসি ভার্শনিবু ইতাহ প্রিজনদা অমুক থাজিনখি।

বি জে ৱাই এমগী ওফিস-বিয়রর ভিনয় ভার্শনি মীৎ হাৎনবা হোৎনবগী চার্জদা ফাখি। তৌইগুম্বসুং তারিখ শিরবা মতুংদা মঙোন্দা শীরিবা মরালদু মী হাৎপদা ওনখি।

সেসন্স জজ নসিম অহমদনা ভিনয় ভার্শনি অমসুং মহাক্কী এসোসিএট অনী - ট্রিলোকি অমসুং সুরেন্দ্র কুমারগী মায়োক্তা আই পি সী সেক্সন ৩০২, সেক্সন ৩৪ অমসুং সেক্সন ৫০৪গী মখাদা চার্জ ফ্রেম তৌখি।

কোর্টনা মথং হিয়রিং ওগষ্ট ৪দা লেপখি।

ইরাং থোক্লিঙৈ মনুং ফেব্রুৱারী ২৩দা মোহম্মদ তারিখ (২২)না ময়ুমগী মচি অমদা লেপ্লিঙৈদা মফম মরাঙ খঙদনা কাপ্পকখিবা নোংমৈ মরূ অমনা মহাক্কী থজিনদা পানখি। মহাক খূদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মখা তানা লাইকন্নবা ঙমদনা মার্চ ১২দা হোস্পিটালদা শিখি।

ক্রাইমদুদা শীজিন্নখিবা খুৎলাই পুলিসনা লৌখৎখি। মদু ভিনয়গী মিংদা রেজিষ্টর তৌরমখি।

# হাৎনবা হোৎনবগী মরাল শীখ্রে

ফাটেহপুর, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশগী ফাটেহপুরদা পোষ্টিং তাবা এদিসনল দিরেক্টর এন্দ সেসন্স জজ (এ দি জে) মোহম্মদ অহম্মদ খান কৌশাম্বী দিষ্ট্রিক্টতা য়াঙনা লাকপা গাড়ি অমনা মহাক্কী কারদা থোমজিনবদগী শোকখি। থৌদোক অদু শগোলশেন নুমিৎতা এ দি জে অসিনা প্রায়াগ্রাজদগী ফাটেহপুরদা হল্লকপদা থোকখিবনি। খানদা নত্তনা মহাক্কী গন্নরসু এক্সিদেন্ট অদুদা শোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা এ দি জেনা হায়, মহাক্কী কারদা থোমজিল্লক্লিবদু মহাকপু হাৎনবনি। অহম্মদ খান ফাটেহপুরগী পোক্সো কোর্টতা স্পেসল জজ ওইনা পোষ্টিং তৌখি। মহাক শগোলশেন নুমিৎতা লন্নাই থবক খরগা মরী লৈননা প্রায়াগ্রাজদা চৎখি। মহাক নুমিদাংদা ফাটেহপুরদা হল্লকখি।

থৌদোক অদুদা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা একুজ দ্রাইভর অদু গাড়িগা কোন্ননা ফাখি।

এ দি জেনা কোখরাজ পুলিসতা তৌখিবা কমপ্লেন্টতা মহাকপু হাৎনবগীদমক্তা য়াঙনা থৌরকপা ইন্নোভা অমনা মহাক্কী কারদা থোমজিল্লকখি হায়না পনখি। এ দি জেনা মখা তানা কমপ্লেন্ট অদুদা মঙোন্দা মমাঙদা কিহল্লকপসু লৈখ্রে হায়নসু পনখি।

# এক্সিস বেঙ্ককী মেনেজরনা আই সী আই সী আই ব্রাঞ্চ লুট তৌখ্রে

পলঘর, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক অমদা এক্সিস বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ মেনেজর অমনা আই সী আই সী আই বেঙ্কতা লুট তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবগা লোয়ননা মীওই অদুনা দেপ্যুটি ব্রাঞ্চ মেনেজর অমা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু বেঙ্কিংগী মতম লোইরবা মতুং শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা আই সী আই সী আই বেঙ্ককী ভিরার ইষ্ট ব্রাঞ্চতা থোকখিবনি।

বিরার পুলিস ষ্টেসনগী সিনিয়র পুলিস ইন্সপেক্টর সুরেশ ৱারাদেগী মতুং ইন্না, নাইগাউনদা লৈবা এক্সিস বেঙ্কব্রাঞ্চকী মেনেজর ওইরিবা একুজ অনিল দুবে ফারে। মহাক মমাঙদা মতম শাংনা আই সী আই সী আই বেঙ্ককী ইমপ্লোয়ী ওইরম্মী।

দুবে অমসুং আই সী আই সী আই বেঙ্ককী দেপ্যুটি মেনেজর য়োগাতা নিশান্ত চৌধরি অমসুং মহাক্কী কোলিগ কেসিয়র শ্রাধা দেবরুখকরগী মরক্তা মুক্নরকখি। মদুদা দুবেনা মখোয় অনীমক থাঙনা থিল্লম্লগা বেঙ্ক অদুদগী লুট তৌনবা শেনয়াম অমগা লোয়ননা চেন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাকপু বেঙ্কতুগী মপানদা লেকেলশিংনা ফাখি।

থাঙনা থিনবদা শোক্লবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা মেনেজর য়োগিতা মখা তানা লাইকন্নবা ঙমদনা শিখি অমসুং দেভরুখকর (৩২)না লোকেল হোস্পিটাল অমদা লায়েংলি।

# যমুনাগী ঈমায় দেঞ্জর মার্ক নকশিল্লক্লে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): যমুনা তুরেলগী ঈশিং ঈমায়গী থাক দেঞ্জর মার্ক নকশিল্লক্লে হায়না ইরায় নুমিৎতা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্টনা হায়, নেসনল কেপিটেলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হি কয়ামরুম থমখ্রে। ইমর্জেন্সিদা খুদোংচানবা অতৈ হি ২১সু ষ্টেন্দবাইদা থল্লি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মতুংইন্না যমুনা তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লিবা অদু দেল্লীদা নোং কন্না চুবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং হরয়ানানা তুরেল অসিদা হথিনিকুন্দ বারাজদগী ঈশিং থাজিল্লকপদগীসুনি।

দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, যমুনা তুরেল মপানগী ঈচাউ থোক্লকপা য়াবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা খঙহনখ্রে। মেট দিপার্টমেন্টকী মতুংইন্না দেল্লীদা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা নোং এম এম ৪৬.৫ চুখি। শগোলশেন নুমিৎখক্তদা নুংথিল পুং ২.৩০ দগী পুং ৫.৩০ ফাওবগী মনুংদা নোং এম এম ৪৬৩.৫ চুখি।

# কোভিদ লাইচৎ কনখৎলক্লিঙৈদা লুপা ক্রোর ৫৬৫০গী পেকেজ লাউথোকখ্রে

তিরুভনান্থাপুরম, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): কেরলাদা কোভিদ লাইচৎ কনশীল্লক্তুনা লায়না অসিগী কেস মশীং লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরকপগা লোয়ননা ষ্টেট ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ইরায় নুমিৎতা লুপা ক্রোর ৫৬৫০গী ফাইনান্সিএল পেকেজ লাউথোকখ্রে।

মীয়ামগী মতেং ওইনা লাউথোক্লিবা ফাইনান্সিএল পেকেজ অসিদা লোনশিংগী ইন্টরেষ্ট সবসিদিগী মওংদনি। গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিংগী অশানমনসু কোমথোক্লগনি।

তিরুভনান্থাপুরমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট ফাইনান্স মিনিষ্টর বালা গোপালনা হায়খি, পেকেজ অসিনা মাইক্রো, স্মোল অমদি মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেজ (এম এস এম ঈ)শিংদা কান্নহল্লগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা লাখ ২ ফাওবগী লোন খুদিংমক্কী থা ৬কী ইন্টরেষ্ট চাদা ৪ পুগনি। মসি ওগষ্টতগী চৎনগদবনি। গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিং শীজিন্নবগী রেন্টসু থা ৬ কোমথোক্লনি। ষ্টেটনা চলাইবা ফাইনান্সিএল ওর্গনাইজেসনশিংদা ইন্টরেষ্ট সবসিদি পীবগা লোয়ননা পেনাল ইন্টরেষ্টসু কোমথোক্লগনি। গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসিনা মীওই লাখ অমরোমদা কান্নহনগনি। অমসুং মসিদা লুপা ক্রোর লিশিং ২ চঙগনি।

বালাগোপালনা মখা তানা হায়, ঙসিগী কম্মর্সিএল বেঙ্কশিং পীক্লা থবক তৌবা কষ্টমরশিংগী খন্দ্রে। মখোয়না পীক্লা থবক তৌবা ট্রেদর লিশিং কয়াদা লোন পীবগী মহুত্তা মান্নবা লোনগী শেনফমশিং অদু অচৌবা ট্রেদর নৎত্রগা কম্পেনিশিংদা ওইনা পীনবা হোৎনরি। কেরলাগী ক্রেদিট-দিপোজিৎ রেসিও অসি চাদা ৬০দনি। চহী ৫০গী মখাদা লৈবশিংনা বিজিনেস তৌনবা পায়খৎপা প্রোগ্রামগী মখাদা মথংগী চহী মঙা চুপ্পা চহী খুদিংগী অনৌবা ওন্ট্রপ্রনর ৫০০ উবা ফংলগনি। চীফ মিনিষ্টরগী প্রোগ্রাম অসিদা অসিগুম্বা মীওইশিংদা ইন্টরেষ্ট চাদা ৫দা লুপা ক্রোর অমা ফাওবগী লোন পীগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# লুপা ক্রোর অমগী ব্রাউন সুগর ফারে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): ওরিষা পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ)কী টিম অমনা ইরায় নুমিৎতা পুরি দিষ্ট্রিক্টতা লুপা ক্রোর অমা হেনবগী ওইগদবা ব্রাউন সুগর ফারে। লোনা অথিংবা থমখ্রবা পোৎশক অসিগা মরী লৈননা মীওই অমসু ফারে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ফারবা মীওই অদু ইমতাজ খান কৌই, পাপিলি এরিয়াদগীনি ইনিটলিজেন্সকী পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা এস টি এফ টিম অদুনা পাপিলি-নিমাপারাগা নক্লবা মফমদা রেইদ চথখি। অমসুং লুপা ক্রোর অমা হেনগদবা ব্রাউন সুগর কেজি ১.৪৮ মীওই অসিদগী রিকোভর তৌখি।

একুজ মীওই অসি অসিগুম্বা অথিংবা থমখ্রবা পোৎশক অসি পায়বা য়াবগী ভেলিদ ওথোরিটি অমত্তা পুথোকপা ঙমদবদগী ফাবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

# পি পি পি মোদেলদা ইন্দিষ্ট্রিএল পার্কশিং লিংলগনি



লক্ষনৌ, জুলাই ৩০ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা শেল মরাঙ কায়না ইনভেষ্ট তৌনিংবা পোকহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা য়োগি অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিএল পার্কশিং থুনা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনরি।

পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ (পি পি পি) মোদেলদা শাগৎকদৌরিবা ইন্দষ্ট্রিএল পার্কশিং অদুদা ষ্টেট অসিবু হান্নদগী হেন্না পোৎ-চৈ এক্সপোর্ট তৌবা ঙমহল্লগনি হায়না থাজনরি।

প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিএল পার্কশিং লিংখৎকদৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি লক্ষনৌ, উন্নাও, অমেথি, সুল্টানপুর, প্রটাপগর, ঔরাইয়া, হমিরপুর, জালাউন, নোইদা, ঘাজিয়াবাদ, মিরুট, অজমগর, অম্বেদকর নগর, গোরাখপুর অমসুং প্রয়াগরাজনি।

য়ু পি গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অমগী মতুং ইন্না অহানবা ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক অদু উন্নাওদা অগ্রা-লক্ষনৌ এক্সপ্রেসৱেগা নক্না শাগনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বারাওলি কালান ভিলেজদা প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক অসি শানবগী মফম লেপথোক্লে। প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক অসিদা টেক্সটাইল, রেদিমেদ গার্মেন্ট্স, ফুদ প্রোসেসিং, পর্ফ্যুম, টোইজ, ইলেক্ট্রোনিক ইক্বিপমেন্টগা মরী লৈনবা ইন্দষ্ট্রিশিং লিংবা য়াই। হৌখিবা চহীদা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ইন্দষ্ট্রিএল পার্কশিং অমসুং ৱেরহাউসশিং শেমগৎপা পান্বা ওন্ট্রপ্রনরশিংগীদমক্তা ফেসিলিটি কয়া লাউথোকখি। ফেসিলিটিশিং অদুগী মনুংদা উত্তর প্রদেশ ইন্দষ্ট্রিএল ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট প্রমোসন পোলিশি-২০১৭ এমেন্দ তৌদুনা প্রাইভেট সেক্টর ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক লিংখৎপদা চঙগদবা লমগী পাক চাউবা হস্থহনবা য়াওরি। থৌরম অসিগী মখাদা ওন্ট্রপ্রনরশিংনা হৌজিক ষ্টেট অসিগী বুন্দেলখন্দ অমসুং পুর্বানচল লমদমশিংদা য়ামদ্রবদা একর ২০ পাক-চাউবা লমদা প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক লিংখৎপা য়ারগনি।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| STATE | CASES | ACTIVE | RECOVERED | DEATHS |
|---|---|---|---|---|
| Maharashtra | 62,90,156 ▲ 7,242 | 81,933 ▼ 3,980 | 60,75,888 ▲ 11,032 | 1,32,335 ▲ 190 |
| Kerala | 33,49,365 ▲ 22,064 | 1,55,327 ▲ 5,287 | 31,77,453 ▲ 16,649 | 16,585 ▲ 128 |
| Karnataka | 29,01,247 ▲ 2,052 | 23,277 ▲ 685 | 28,41,479 ▲ 1,332 | 36,491 ▲ 35 |
| Tamil Nadu | 25,55,664 ▲ 1,859 | 21,207 ▼ 314 | 25,00,434 ▲ 2,145 | 34,023 ▲ 28 |
| Andhra Pradesh | 19,62,049 ▲ 2,107 | 21,279 ▲ 280 | 19,27,438 ▲ 1,807 | 13,332 ▲ 20 |
| Uttar Pradesh | 17,08,373 ▲ 60 | 784 ▲ 16 | 16,84,834 ▲ 44 | 22,755 |
| West Bengal | 15,26,539 ▲ 766 | 11,300 ▼ 70 | 14,97,116 ▲ 822 | 18,123 ▲ 14 |
| Delhi | 14,36,144 ▲ 51 | 554 ▼ 19 | 14,10,541 ▲ 70 | 25,049 |
| Chhattisgarh | 10,01,781 ▲ 130 | 2,086 ▼ 140 | 9,86,175 ▲ 270 | 13,520 |
| Odisha | 9,74,132 ▲ 1,615 | 15,276 ▼ 489 | 9,53,088 ▲ 2,039 | 5,768 ▲ 65 |
| Rajasthan | 9,53,622 ▲ 17 | 259 ▼ 9 | 9,44,410 ▲ 26 | 8,953 |
| Gujarat | 8,24,829 ▲ 27 | 268 ▼ 6 | 8,14,485 ▲ 33 | 10,076 |
| Madhya Pradesh | 7,91,796 ▲ 18 | 130 | 7,81,153 ▲ 18 | 10,513 |
| Haryana | 7,69,858 ▲ 30 | 712 ▲ 10 | 7,59,516 ▲ 17 | 9,630 ▲ 3 |
| Bihar | 7,24,719 ▲ 46 | 481 ▲ 1 | 7,14,596 ▲ 42 | 9,642 ▲ 3 |
| Telangana | 6,43,716 ▲ 623 | 9,188 ▼ 126 | 6,30,732 ▲ 746 | 3,796 ▲ 3 |
| Punjab | 5,99,005 ▲ 58 | 553 ▼ 6 | 5,82,162 ▲ 60 | 16,290 ▲ 4 |
| Assam | 5,64,030 ▲ 1,299 | 14,114 ▼ 385 | 5,44,695 ▲ 1,664 | 5,221 ▲ 20 |
| Jharkhand | 3,47,105 ▲ 56 | 259 ▲ 22 | 3,41,720 ▲ 34 | 5,126 |
| Uttarakhand | 3,41,982 ▲ 48 | 669 ▼ 3 | 3,33,952 ▲ 51 | 7,361 |
| Jammu And Kashmir | 3,21,207 ▲ 181 | 1,144 ▲ 5 | 3,15,686 ▲ 175 | 4,377 ▲ 1 |
| Himachal Pradesh | 2,05,728 ▲ 229 | 1,098 ▲ 145 | 2,01,110 ▲ 84 | 3,520 |
| Goa | 1,70,900 ▲ 90 | 1,077 ▼ 5 | 1,66,679 ▲ 93 | 3,144 ▲ 2 |
| Puducherry | 1,20,725 ▲ 98 | 972 ▲ 49 | 1,17,961 ▲ 49 | 1,792 |
| Manipur | 96,824 ▲ 1,000 | 10,895 ▼ 27 | 84,408 ▲ 1,016 | 1,521 ▲ 11 |
| Tripura | 78,059 ▲ 271 | 3,640 ▼ 221 | 73,665 ▲ 488 | 754 ▲ 4 |
| Meghalaya | 63,745 ▲ 731 | 5,750 ▲ 294 | 56,933 ▲ 423 | 1,062 ▲ 14 |
| Chandigarh | 61,948 ▲ 5 | 37 ▲ 1 | 61,102 ▲ 4 | 809 |
| Arunachal Pradesh | 47,477 ▲ 335 | 4,252 ▼ 49 | 43,000 ▲ 383 | 225 ▲ 1 |
| Mizoram | 37,171 ▲ 764 | 11,862 ▲ 252 | 25,168 ▲ 511 | 141 ▲ 1 |
| Nagaland | 27,653 ▲ 67 | 1,299 ▼ 51 | 25,798 ▲ 114 | 556 ▲ 4 |
| Sikkim | 26,132 ▲ 276 | 3,297 ▲ 180 | 22,498 ▲ 92 | 337 ▲ 4 |
| Ladakh | 20,324 ▲ 4 | 60 ▼ 4 | 20,057 ▲ 8 | 207 |
| Dadra And Nagar Haveli And Daman And Diu | 10,643 ▲ 1 | 36 ▼ 5 | 10,603 ▲ 6 | 4 |
| Lakshadweep | 10,162 ▲ 7 | 70 ▼ 6 | 10,042 ▲ 13 | 50 |
| Andaman And Nicobar Islands | 7,534 ▲ 3 | 10 ▲ 3 | 7,395 | 129 |